৬৪শুবা নেসনল স্কুল গেমস ২০১৮ লোইশিনখ্রে

# মণিপুরনা পোইন্ট ৩৫ ফংদুনা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস)ঃ দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস, গবর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২৬তগী হৌদুনা পাঙথোকপা চহী ১৪ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী টাইক্বান্দো মশান্নগী ৬৪শুবা নেসনল স্কুল গেমস ২০১৮দা য়ুম্বু ওইরিবা মণিপুরনা পোইন্ট ৩৫ ফংদুনা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে। অদুগা মহারাষ্ট্রানা পোইন্ট ২৭ ফংদুনা ওভরওল টিম রন্নরস অপ তাহৌরে।

টিম ৩০গী নুপা ২৮৩ অমসুং নুপী ২২৯ পুন্না শান্নরোয় ৫১২না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ৬৪শুবা নেসনল স্কুল গেমস ২০১৮ (অন্দর-১৪ বোইজ এন্দ গর্লস টাইক্বান্দো) তা নুপা কাঙলুপকী টিমদা মণিপুরনা পোইন্ট পুন্না ২৯ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন, নাগালেন্দনা পোইন্ট ১৯ ফংদুনা কাঙলুপ অসিগী টিম রন্নরস অপ অমসুং হরিয়ানানা পোইন্ট ১০ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

গর্লস কাঙলুপতা মহারাষ্ট্রানা পোইন্ট ২৩ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন, গুজরাতনা পোইন্ট ১৩ ফংদুনা টিম রন্নরস অপ অমসুং দিল্লি অমদি হরিয়ানা পোইন্ট ১২/১২ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

পনবা য়াবদি, নুপা কাঙলুপকী কেজি ২১ মখাদগী ২৩ ফাওবগী কেটেগোরিদা মণিপুরগী সলাম তোন্দোনবনা গোল্ড, সী বি এস সীগী এস য়ু রোসনকুমারনা সিলভর অমসুং চান্দিগরগী সনাল অমদি নাগালেন্দগী লুঙম্বনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

কেজি ২৯ মখাদগী ৩২ ফাওবগী কেটেগোরিদা মণিপুরগী এ পৃথিরাজনা গোল্ড, মধ্য প্রদেশকী সত্যা লোধিনা সিলভর অমসুং হরিয়ানাগী গৌরব অমদি বিদ্যা ভারতিগী দেভান্স মিশ্রানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। নুপী কাঙলুপকী কেজি ২৯ মখাদগী ৩২ কেটেগোরিদা মণিপুরগী টি রাজিয়া চনুনা গোল্ড মেদল লৌখিবনি।

য়ুথ লীগ অন্দর-১৯ আর ও আই জোন গ্রুপ বি ২০১৮-১৯

# ত্রাও এফ সীনা নেরোকা এফ সীবু অমদি আইজোল এফ সীনা গেংটোক হিমালয়ান স্পোর্টিং ক্লবপু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস)ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) কী মীৎয়েং মখাদা খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা গ্রুপ বি কেটেগোরিগী অন্দর-১৮ য়ুথ লীগ ২০১৮-১৯ রেষ্ট ওফ ইন্দিয়াগী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা আইজোল এফ সীনা গেংটোক হিমালয়ান স্পোর্টিং ক্লব অমসুং ত্রাও এফ সীনা নেরোকা এফ সীবু মায়থীবা পীখ্রে।

অন্দর-১৮ য়ুথ লীগ ২০১৮-১৯ রেষ্ট ওফ ইন্দিয়া জোন গ্রুপ বিগী টিম মরিনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা লীগ অসিগী অহুমশুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমগী অহানবা গ্রাউন্দদা আইজোল এফ সী অমসুং গেংটোক হিমালয়ান স্পোর্টিং ক্লব লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা মীৎকুপতগী লোইবা ফাওবদা আইজোল এফ সীগী মায়কৈদগী গেংটোক হিমালয়ান স্পোর্টিং ক্লবপু য়াম্না লাকচনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা আইজোল এফ সীনা গোল ৩-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী হৌনা গেংটোক হিমালয়ান স্পোর্টিং ক্লবকী মায়কৈদগী আইজোল এফ সীনা অহানবা হাফতগী মাঙজিল থাদুনা লাক্লিবা গোলশিং অদু হন্দোক্নবা এটেক কয়া চত্থরকখি। অদুবু আইজোল এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা মেচ অদু খঙলাক লাকশিন্দুনা শান্নরকখিবনা গেংটোক হিমালয়ান স্পোর্টিং ক্লবনা চত্থরক্লিবা এটেকশিং অদু



আইজোল এফ সীগী শান্নরোয়-শিংনা নীংথিজনা দিফেন্দ তৌদুনা গোল ওইনা ওন্থোকপা ঙমহনখি।

মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপা ফাওবদা গেংটোক হিমালয়ান স্পোর্টিং ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা আইজোল এফ সীগী গোলশিং অদু অমফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু আইজোল এফ সীগী মখুৎতা গোল ৮-০ দা মায়থীহৌখি।

আইজোল এফ সীগী মায় পাকপগী গোল অদু জর্সি নম্বর ২৩ সান দিংলিয়ানানা মেচকী ১৩ শুবা অমদি ৬৮ শুবা মিনটতা অমসুং জর্সি নম্বর ৯ লালরেমরৌতা হোনানা মেচকী ৫৫ অমদি ৬৯ শুবা মিনটতা গোল ২/২, জর্সি নম্বর ২০ দেবিদ লাললিলনসাংগানা মেচকী ৪৫ শুবা, জর্সি নম্বর ১৩ টেচি টট্রানা মেচকী ৭৯ শুবা, জর্সি নম্বর ১১ লাল রেমসাংগানা মেচকী ২৫ শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ৪ মেলোরিনা মেচকী ৭৮ শুবা মিনটতা গোল অমমম চনখি।

য়ুথ লীগ অসিগী মরিশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা নেরোকা এফ সী অমসুং ত্রাও এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদু টিম অনীনা মায় পাক্নবগীদমক অঙম্বা পাঙ্গল পুথোক্নদুনা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী তরুকশুবা মিনটতা ত্রাও এফ সীগী জর্সি নম্বর ৮ দল্লিয়ু সদানন্দনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চনবতা নত্তনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি।

মেচকী ২৮ শুবা মিনটতা অমুক ত্রাও এফ সীগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৫ ইরোম রাকেসনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেচ অদু ত্রাও এফ সীনা গোল ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদগীসু ত্রাও এফ সীনা মাঙজিল থারিবা গোল অনী অদু হন্দোক্নবা এটেক মথং মথং চত্থরকখি। অদুবু এটেকশিং অদু ত্রাও এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা অঙম্বা পাঙ্গল পুথোক্তুনা দিফেন্দ তৌখি।

মেচকী ৩৫ শুবা মিনটতা ত্রাও এফ সীগী জর্সি নম্বর ১০ ঙাংবম নাওচানা মহাক্কী টিমগী অহুমশুবা গোল চনখি। নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদগী ত্রাও এফ সীনা মাঙজিল থাদুনা চৎলিবা গোলশিং অদু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ৫৪ শুবা অমদি ৬১ শুবা মিনটতা নেরোকা এফ সীগী জর্সি নম্বর ২১ নিঙোম্বম হেনরি অমসুং জর্সি নম্বর ২৪ খাইমিনথাং লুংদিননা গোল অনী মথং মথং চনশিন্দুনা ত্রাও এফ সীগী মাঙজিল থারিবা গোল অনী হন্দোক্তুনা মেচ অদু নেরোকা এফ সীনা গোল ২-৩ দা লৈখি। মেচকী লোইরমদাই মীৎকুপ ৭৭শুবা মিনটতা ত্রাও এফ সীগী ঙাংবম নাওচানা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনশিন্দুনা মেচ অদু ত্রাও এফ সীনা গোল ৪-২ দা লৈদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা চাঙনা পুশিনখি।

নেরোকা এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা ত্রাও এফ সীগী মাঙজিল থারিবা গোল অনী অদুসু মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা হন্দোক্নবা য়াংনা শান্নরকখি। ত্রাও এফ সীগী মায়কৈদগীসু নেরোকা এফ সীগী এটেকশিং অদু মথং মথং দিফেন্দ তৌখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা ত্রাও এফ সীনা গোল ৪-২ দা মায় পাকখি। য়ুথ লীগ অসিগী মেচ ২/২ শান্নখ্রবা মতুং পোইন্ট টিলিদা আইজোল এফ সীনা পোইন্ট তরুক ফংদুনা গোল দিফরেন্সতা ১২ লৈদুনা অহানবা, ত্রাওনা পোইন্ট তরুক ফংলগা গোল দিফরেন্সতা অহুম লৈদুনা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

# পুল 'বি'দা ওষ্ট্রেলিয়ানা আইরলেন্দ ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে ইংলেন্দ অমসুং চাইনা দ্রো চৎখ্রে




ভুবনেশ্বর, নবেম্বর ৩০ (এজেন্সী)ঃ ইনি দয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা ওরিষাগী কোনুং ভুবনেশ্বরগী কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা ঙরাংদগী হৌখিবা হোকি মেন্স ৱর্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা পুল 'বি'দা ওষ্ট্রেলিয়ানা আইরলেন্দবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা ইংলেন্দ অমসুং চাইনাগী মেচ পাঞ্জল ২-২ দা দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি হোকি মেন্স ৱর্ল্ড কপ টুর্নামেন্টকী মঙাশুবা মেচতা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং আইরলেন্দনা পুল বিগী অহানবা মেচ অদু শান্নখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী টিমনা নৌনা ক্বালিফাইদ ওইরকপা আইরলেন্দগী মায়োক্তা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। শান্নবগী অহানবা ক্বার্টরগী মিনট ১৫ অদুদা বোল হেন্না পায়বা ঙমখ্রবা ওষ্ট্রেলিয়ানা ঙন্না পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। শান্নবগী ১১ শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী এটেক অদুদা পেনাল্টি কোনর অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোয় ব্লেক গোবর্সনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা আইরলেন্দবু ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

আইরলেন্দগী টিম য়াম্না কন্না হোৎনরক্তুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী পাঞ্জল অদু হাংদোক্নবা হোৎনবদা মিনট ২ খক চঙখি। শান্নবগী ১৩ শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় সেন দোনোগিনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা ইক্কেলাইজর অদু চনখি। শান্নবগী অনীশুবা ক্বার্টর অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিন্নবা হোৎনরকখিবা অদু মায় পাকপা ঙমদনা পুংখায় অমগী অহানবা হাফকী মতম অদু পাঞ্জল অমমম চন্নরগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকখি। এক্সপিরিয়েন্স লৈরবা ৱর্ল্ড কপ অমদি ওলিম্পিক্কী টাইটল লৌবা ঙম্লবা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোয়শিংনা লাকশিনবা ঙম্লকপদগী অনীশুবা হাফ অদুগী হৌরকপা মরিশুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় টিম ব্রাননা ফিল্ড গোল অমা চনশিল্লগা আইরলেন্দবু ২-১ মাঙজিলদা থারগা লৈখি।

মেচ অদুগী মখা তাবা লেমহৌবা মতম অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমা হেনখিবা অদু হন্দোক্নবা আইরলেন্দগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা শান্নরবসু পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা ওষ্ট্রেলিয়ানা ২-১ দা থোইখি।

ভুবনেশ্বরগী কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা পুল বিগী অনীশুবা মেচ অদুদা ইংলেন্দ অমসুং চাইনা লম্বা তৌনখি। শান্নবগী হৌরকপা মিনট মঙা চঙশিল্লকপদা চাইনাগী শান্নরোয় জিয়াওপিং গুনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা অহানবা পাঞ্জল চনখি।

অহানবা ক্বার্টর অদুগী লোইশিল্ল-কপদা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী মার্ক গ্লেহোননা পেনাল্টি কোর্নর অমগী খুদোংচাবা লৌরগা ইক্কেলাইজর অদু চনখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমমম চন্নরগা য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নরকপা অহুমশুবা ক্বার্টর অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে। মেচকী অরোইবা মিনট ১৫ গী মরিশুবা ক্বার্টর অদুগী অহুমশুবা মিনটতা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী লিয়াম সানফোর্দনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা চাইনাবু মখোয়না ২-১ দা মাঙজিল থাখি। চাইনাগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঙ্গল ফুজিন্দুনা শান্নবা লোইগদবা মিনট অমত্তা ঙাইরবা মতমদা পেনাল্টি কোর্নর অমদা টলাকে দুনা ইক্কেলাইজর অদু চন্দুনা পাঞ্জল ২-২ দা দ্রো চৎখি।

# মণিপুর জুনিয়র বোক্সিং টিমনা গোল্ড ৫ অমদি ব্রোঞ্জ ১ লৌখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস)ঃ গুৱাহাতিগী স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া রিজনল সেন্টরদা থা অসিগী ২৬ তগী ৩০ ফাওবা পাঙথোকপা ৬৪ শুবা নেসনল স্কুল গেমস অন্দর ১৭ বোইস এন্দ গর্লসকী বোক্সিং মশান্নদা মণিপুর জুনিয়র বোক্সিং টিমনা গোল্ড ৪ অমদি ব্রোঞ্জ ১ পুন্না মেদল ৫ লৌবা ঙমখ্রে।

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা টিম কয়াগী নুপা অমসুং নুপী বোক্সরশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ৬৪ শুবা নেসনল স্কুল গেমস অন্দর ১৭ বোইস এন্দ গর্লস বোক্সিং মশান্নগী নুপাগী কেজি ৪৪ দগী ৪৫ ফাওবগী কেটেগোরিদা মণিপুরগী সোইবম য়াইফবনা চান্দিগরগী রুদ্রা প্রতাপপু ৫-০ দা মায়থীবা পীরম্লগা গোল্ড মেদল লৌখি।

নুপীগী কেজি ৫০ দগী ৫২ ফাওবগী কেটেগোরিদা মণিপুরগী নাওরেম বিবিরোজিসনা চনুনা হরিয়ানাগী তনুবু ৫-০ দা, কেজি ৫২ দগী ৫৪ ফাওবগী কেটেগোরিদা মণিপুরগী থোঙাম কুঞ্জরানিনা পঞ্জাবকী পুনমবু ৫-০ দা, কেজি ৫৪ দগী ৫৭ ফাওবগী কেটেগোরিদা মণিপুরগী সোভি জাজোনা ৫-০ দা মায় পাক্তুনা গোল্ড লৌখি। অদুগা কেজি ৪২ গী কেটেগোরিদা টি সোফিয়া চনুনা ব্রোঞ্জ লৌখিবনি।

HL-B/4987/15nov. to 13jan (alt.)




# বেঙ্গলুরু এফ সীনা এফ সী পুনে সিটিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইদুনা আই এস এলগী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংলি

বেঙ্গলুরু, নবেম্বর ৩০ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা ইন্দিয়া সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি বেঙ্গলুরুদা শান্নখিবা লীগ অসিগী ৪৪ শুবা মেচতা য়ুম্বু বেঙ্গলুরু এফ সীনা এফ সী পুনে সিটিবু ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংদুনা লৈবা ঙম্মী।



বেঙ্গলুরুগী টিম ঙসিগী মেচ অসিগী মাঙওইননা মেচ ৭ শান্নখিবদা পোইন্ট ১৯ ফংলগা মাঙজিল থাদুনা লৈরম্বনি। অমরোমদা, এফ সী পুনে সিটি মেচ ৯ শান্নবদা পোইন্ট মঙাখক ফংলগা টিম ১০ গী কম্পিটিসন অদুদা ৯ শুবা পোজিসন্দা লৈরিবনি। ঙসিগী মেচ অদু বেঙ্গলুরুগী শ্রী কান্টিরভা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবনি। শান্নবগী ১১ শুবা মিনটতা বেঙ্গলুরু এফ সীদা শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা উদান্তনা টিমমেট খব্রাগী পাস অমদা মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। এফ সী পুনে সিটিগী মায়কৈদগী চত্থরকপা এটেক অমদা বোল অদু বেঙ্গলুরুগী গোল লাইন য়ৌশিল্লকপদা ঙাকথোক্নবা হোৎনবদা ভেকিনা শোয়বদগী মহাক্কী গোল লাইন মনুংদা চঙহনখিদুনা টিম অনীমক পাঞ্জল ১-১ লৈনখি।

অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক পাঞ্জল অমমম চন্নরবা মতুং অকনবা মওংদা মখা তাবা পাঞ্জল চন্নবা শান্নরোয়শিং অদুনা হোৎনরকখি। মিনট ৪৫ গী মতম লোইগদবা য়ামশিল্লক্তুবদা এফ সী পুনে সিটিদা গোল অমা লেম্না পীখিবা রাহুল ভেকিনা শান্নবগী ৮৮শুবা মিনটতা টিমমেট খব্রানা খায়রকপা বোল অমদা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা এফ সী পুনে সিটিবু ২-১ দা থোইখি।

HL-B/4943/25/10-22/12 (alt.)




২৯শুবা ধনমঞ্জুরি ইনভাইটেসন কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮ লোইশিনখ্রে

# হৈলাকান্দি কাংখুৎনা গোপালদেব কাংখুৎপু মায়থীবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস)ঃ

মণিপুর কাং এসোসিএসন (এম কে এ) গী মীৎয়েং মখাদা খুমন লম্পাক্তা লৈবা মণিপুর কাংশঙ, শিংজমৈ কাংশঙ অমসুং য়াইস্কুল কাংশঙগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পাঙথোকপা ২৯শুবা ধনমঞ্জুরি ইনভাইটেসন কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮ দা হৈলাকান্দি অসাম কাংখুৎনা গোপালদেব মণিপুর কাংখুৎপু মায়থীবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

কাংখুৎ তরুক্না কাঙলুপ অনী থোক্না খায়দোক্তুনা পাঙথোকখিবা ২৯ শুবা ধনমঞ্জুরি ইনভাইটেসন কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী লোইশিনবগী থৌরম অদুদা পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দ, খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিগী এম এল এ, এল রাধাকিশ্বর, মণিপুর কাং এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এম জাদুমনি, মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি সুনিল এলাংবম অমদি মানগ্রি ইন দষ্ট্রিএল কোওপরেটিব লিমিটেদ, মন দলেগী মেনেজিং দিরেক্টর কে ব্রজগোপাল শর্ম্মানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবা মতমদা হৈলাকান্দি কাংখুৎ অমসুং গোপালদেব কাংখুৎ শান্নখিবা মেচ অদু হৈলাকান্দি কাংখুৎনা গোপালদেব কাংখুৎপু পাঞ্জল ১১-৯ দা মায়থীবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে। অদুগা গোপালদেবনা রন্নরস অপ তাখ্রে। মকোক মথং তাখ্রবা কাংখুৎশিংদা থৌরমদুদা শরুক য়াবা দেজ মেম্বরশিংনা মনা-মথুমশিংসু খুৎশিন্নখি।



HL-B/5019/23,25,27

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor; Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com